# ফিল্ম অমদি টি ভি দ্রামাগী শুটিং য়ারগনি লাউথোরকপা

*- নানি -*



কোভিদ-১৯ হায়বা মহু-ময়াই কনবা অনৌবা ভাইরস অমনা মীওইবা খুন্নাইদা লান্দারকপদগী মমল য়াম্লবা, মথৌনা ফরবা, লৌশিং চাউরবা মীওই কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা পিখম্নখিবগী পাউ অসিদি নৌনা তম্লুবগী কান্নবা লৈত্রে। কয়া অমসু হৌজিক-হৌজিক অসি তৌরিং ফক্তা ওন্দুনা হেন্দো নাহে চন্দুনা নুংশা থীনা অনাবগী ফমুংদা হিপ্তুনা লৈরি। কয়া অমগী পুন্সিনা অশি-অচঙ অনীগী লংদাইদা, অশিবা অমদি অচংবা অনীনা থৌরি চিংনবী শান্নদুনা লৈরি। লুরবা ফীভম অমনি হায়দবা য়ারোই। ভাইরস অসিনা খরা নৌবা অমদি মসিগী মরমদা কয়া কূপ্না খন্নরুদবা, অদুনা মরম ওইরগা ইনৌ নৌনা থিগৎ-হুমগৎপা হৌরকপনা সাইন্টিষ্ট কয়া অমগী কোক চিকপা হায়বদু ওইরিবনি। মালেমগী মীপূম খুদিংনা হৌজিক মঙক থাঙ্গৎতুনা য়েংদুনা ঙাইরিবসি অদুগুম্লবা খঙ-হৈরবা সাইন্টিষ্ট কয়া অদুনা করি হায়রকপগে হায়বদুনি, ঙাইদুনা লৈনরিবা। মীপূম খুদিংমকশিং অসি মীপাই-থবাইনবা অমদি লৈনরে। লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হীদাক নৎত্রগা ভেক্সিন অমা পুথোরক্ত্রিবা মতম ফাওবদি মতম খরগী নৎত্রগা মতম চূপ্পগী ওইনা ঐখোয় মীওইবগা লোয়নদুনা শোয়দনা লৈরগনি হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা হয়বীদুনা লাক্লি।

লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী ওইনা মীয়াম পূনবা য়াবা থৌরম কয়া অথিংবা থমদুনা লাক্লি। মসিগী মনুংদা ফিল্ম নম্বা, ফিল্ম কাপ্পা, ফিল্মগী ওইবা থবক থৌরম পূম্নমকশিং অসি চপ লেপ্তুনা লাকপনি। অদুবু মালেমগী লৈবাক খরদদি মখোয়-মখোয়গী ওইবা ঙাকথোক কাঙলোন মশানা শেমজদুনা শুটিং হৌনখিবগী পাউ লৈখ্রে। মরমদি ফিল্ম হায়বা অসিসু লৈবাক অদুগী ওইনা খ্বাইদগী টেক্স কারকপা ইন্টরটেনমেন্ট আর্ট অমা ওইদুনা লাক্লিবনি। ফিল্মগী লম্দা থবক তৌরিবা পূম্নমকশিং অসি লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা থবক খুদিংমক লেপ্লরুরে। ফিল্ম শুটিংগী লম্দা থবক মচা-মচা তৌজদুনা নোংমগী শেনফম তাঞ্জবা কয়া অমগী পুন্সিদা অহকপা চৈথেং পীদুনা লাক্লিবনি। হৌজিক্তি মসিগী তাঙ্কক অসিগী শরুক অমা লোইশিল্লকপগী থাক অমদা লাক্লে হায়না লৌবা য়াই। শ্রী প্রকাশ জাভেদকর, ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর ওইরিবনা অখন্ননা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) অমা শেমদুনা থা তরুক হেন্না পুংলেপ লেপ্লুরবা ফিল্ম অমদি টেলিভিজন প্রদক্সনগী শুটিং হৌবা য়ারগনি হায়বা ৱারোল অমা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখ্রে। এস ও পি অসিনা শুটিং তৌবা মতমদা অমদি ফিল্মগী রেকোর্দিং ষ্টুদিওশিংদা চৎনগদবা কাঙলোন খরা পীরে। ৱাফমশিং অসি থোইদোক্লা অফবা অমনি হায়না লৌবদি য়াই। লুরিবদি হায়রিবা কাঙলোন কয়াশিং অদুনা পাক শন্না য়াঙনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ অসিদগী কয়া য়াম্না কঞ্জবা ঙমগদগে হায়বা অসিমদি ৱাহং ওইরি।

হৌজিক ইন্দিয়াদা অনৌবা পোজিটিভ কেস লাকপগী চাং অসি মালেমগী লৈবাক খুদিংদগী খ্বাইদগী হেল্লি। নোংমদা লিশীং ৬০গী মথক্তা পোজিটিভ ওইরকপা হায়বসি মালেমগী লৈবাক অমত্তদা লৈখিদ্রিবনি। অদুবু ইন্দিয়াদি নোংম-নোংমগী ফীভম অসি হেন্না ফৎচিল্লক্তবা ফীভম অমদা লেঙদনা লৈরি। অদুনা পোজিটিভ কেসকী মশীং অসি অসুক্কী মতিক য়ামখৎলক্লিবনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ফিল্ম নম্বা অমদি ফিল্ম য়েংনবগীদমক স্ক্রীনীং তৌবগী য়াম্না নাতৈ চাদবা ঐখোয় থেংনখিগদৌরি। অদু ওইবা তারবদি হৌজিক হৌজিক শেল য়াম্না নিংথিনা চঙলগা ফিল্ম শুটিং তৌরুবা মতমদা শেল ময়াম অমা নমশিন্দুনা লৈখিগনি। হন্দক লাউথোরক্লিবা অসি মপূং ওইনা য়েংবদা টেলিভিজন চেনেল ময়াম অমা লৈরিবা অসিদা শন্দোক্লিবা সেরিএল প্লেশিং অমদি টি ভি প্রদক্সন মচা মচাশিংগী ওইনদি য়াম্না কান্নগদবা অমা ওই। মখোয়গী শুটিং তৌবগী মওংসু শেংনা হায়রগদি শেম্লিবা এস ও পি অদু ঙাক্লা শুটিং তৌবা য়াগনি। মরমদি মপানগী লমদদি ফিল্ম ষ্টুদিও মরাং কায়না লৈ। ঐখোয়গী হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসিদা য়েংলগদি শুটিং তৌবা মতমদা য়াম্না খুদোংচাদবা ময়াম অমা থেংনরিবনি। শুটিং তৌনরিবা পূম্নমকশিং অসি মীগী য়ূম ৱাইরগা নম্নবা ঙাক্তনি। হৌজিক মণিপুরদা কোরোনাগী ন্যু পোজিটিভ কেস মশীং য়াম্না হেনগৎলক্লি। অদুনা লৈকায় লৈকায় খুদিংদা মীতোপ চঙবীরক্কনু হায়বা পোষ্টর থেৎলি। করিগুম্বা মফমদদি মখোঙ চেৎপা উচুক য়ুংদুনা শম্বল ময়াম অমা খাজিল্লকপা মীয়াম্না উনরিবা অদুনি। শম্বল ফুকলুবগী অচৌবা ৱাথোক কয়া অমসু হৌজিক থোক্লরিবনি। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু য়ারিবমখৈ মী পূন্দনবা অমদি য়ূমদা লেংদনা লৈনবা য়াথং তাওথদুনা লৈরিবনি। মসিদা মীগী য়ূম অমদা চঙশিন্দুনা ফিল্ম শুটিং তৌরুবা হায়বসি খুদোং চাগদবা মান্দে। হৌজিকপু কনাগী ইমুংদা ফিল্ম নমগে হায়রুবদা হরাও হরাওনা য়ারক্কদবা লৈরোই। ফিল্মনা লুবরা, শিবনা লুব্রা হায়না হংনরক্লোইদবগী মরম লৈতে। কোভিদ-১৯গী শাথীনা লুরবা তানফম অসিদা ঐখোয়না মসিগী ৱাখল খল্লুবা হায়বসিসু চুশিন্নবা ৱাৎকনি খল্লি। অচৌ অচৌবা ষ্টেটশিংদা কোভিদ নারিবা অসিগা মণিপুরদা লৈরিবা মীশিংগী চাংগা হোৎতুনা পর্সেন্টেজদা পুথোক্তুনা য়েংবদা মণিপুরদা নারক্লিবা অসিসু শাথীনা কিনীংঙাইগী মশক য়ৌরবনি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী কম্ম্যুনিতি ত্রান্সমিসন হায়বা অসি লৈরে হায়না লাউথোক্ত্রবসু হৌজিক লৈরিবা অসিদি কম্ম্যুনিতি ত্রান্সমিসনগী থাক অদুনি হায়বদা থোইনা লান্নীংঙাই লৈতে। মসিগী ৱাফম অসিদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমগী মচিন চৎপা অমনসু হায়ফেৎ কাঙথোকখ্রবনি। অদুগীসু মথক্তা লৈঙাক অসিগী মচিন চৎপা লচিংবা অমনস কম্ম্যুনিতি ত্রান্সমিসন হৌরে





হায়না হায়খিবা লৈখ্রবনি। মণিপুরদা ওক্টোবর অমদি নবেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা পোজিটিভ ওইদুনা নাবগী মশীং অসি খম থেংনা ৱাংখৎলক্কগনি খল্লি। মরমদি অতৈ ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা ওইখিবা ফীভম কয়াশিং অদু মুন্না য়েংলুরগা য়ামদ্রবা থা অনী অহুমগী মনুংদা হেনগৎলকখিবা মখোয়গী মশীংগী চাংদা অদুদা য়েংলগদি মণিপুরদা হায়রিবা থাসিগী লোইশিল্লকপদদি লিশীং ৩০গী মথক্তা শোয়দনা নারকপা য়াবগী থাজবা লৈ। অসি য়ৌনা নারবদি শোয়দনা শিবগী চাং অসিসু নিংথিজনা হেনগৎলক্কনি খল্লি। সিগী লুরবা তানফম অসিদা দিল্লিদগী মী অমনা হেক্তা লাউরে হায়দুনা মফমসিদা ফিল্ম শুটিং চথবা হায়বসি মীনা তাবদা নোকনীংগদবা অমদি চৈরমদা মোমোন নোকপগা মান্নগনি।

টেলিভিজনদা সেরিএল দ্রামা য়োন্দুনা বিজিনেস তৌবা কয়া অমসু লৈ। অদুগীসু মথক্তা, সেরিএল প্লে ময়াম অমা, স্পোন্সর ময়াম অমা চোংথোক্তুনা প্রদক্সন তৌনরি। অমরোমদা চেনেল মশামক্কী ওইনসু মীয়ামগী পূক্নিং হুনবগীদমক ফজবা মখলগী সেরিএল নম্নদুনা টেলিকাষ্ট তৌনরিবনি। মদুনা অহেনবা শেন্দোং ময়াম অমা ফংনরি। এক্টর ময়াম অমসু হিংনবগী মথক্তা পোপ্যুলরিটি ফংনবা কয়া অমা লৈরি। ঐখোয়গী মণিপুর অসিদদি সেরিএল পুথোকপা ঙম্নদ্রি। মতম অমা আই এস টি ভিদা সেরিএল অমা শন্দোকখি। মীয়াম্নসু য়াম্না পাম্নখি। সেরিএল অদু য়েংনবা মীয়াম্না ঙাইনখি। অদুবু সেরিএল অদুগীদমক কনাগুম্বা কম্পেনি নৎত্রগা কনাগুম্বা অমত্তনা স্পোন্সর তৌবীখিদে। অদুনা ইপিসোদ ৫০ নমগনি হায়না মীয়ামদা থমখিবা সেরিএল অদু খরখক উৎলগা লোইশিনবা ঙমদনা তোকখি।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি মণিপুরদা লৈরিবা টি ভি নেটৱর্ক চেনেলশিং অসিনসু অমদি অতোপ্পা ফিল্ম কম্পেনি অমত্তনসু সেরিএল নম্নবগী ৱাখল তৌনদ্রি। অদুনা হন্দক ইন্দিয়াগী মিনিষ্টর প্রকাশ জাবেদকরনা লাউথোরক্লিবা কাঙলোনশিং অসি মণিপুরদদি থোইদোক্লা কান্নফম লৈগনি হায়বা থাজদে। ফিল্ম অমা শুটিং তৌবদা চঙলিবা মী, শেল, মতম কয়া অদু লন্নাই প্রদ্যুসর অমনা মাগী ঙমজবী থাক্তা হোৎনজবনি। কনাগুম্বা অমত্তনা মতেং পাংনবা লৈজদে। মরম কয়া অসি লৈবনা লাউথোরক্লিবা ৱাফম অসিগী কান্নফম লৈতে খল্লি। মতম খরদি ফিল্ম উৎপগী খুদোংচাবসু লৈরোইদবনা ফিল্ম শুটিংগী থবকসু লেপখিবনা লৈবাক মচা তাগনি খল্লি হায়না মায়কৈ কয়াদগী হায়নরক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০।০৮।২০২০ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৮.২২ ফাওবা লাংবনগী ১২ নি পাল্লি, মতুংদি ১৩ নি পাল্লনি।

**মেষ:** অয়ুক্তা য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি, অরং অরাক চেকশিল্লু। পল্লম্বা থবক পাংবা অমদি য়েৎনবদা মাই পাকচবদি লৈগনি। মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াম্না কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নিংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃষ:** লৌশিং চাওই অদুবু ফুদোকপা ঙমদবনা য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌখিবা য়াবা লৈ। হৈ-শিংবা মী লোইনৌ অমদি মরম চাদনা হোয়া ফগনু। হকচাং নুংঙাইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মিথুন:** মীয়াম্না চানবীগনি, নচা ননাই লোইনবগী নুংঙাইবা অমদি মীকোক থোংবা নুমিৎনি। লৈফম অমদি অপানবা ফংবগী নুংঙাইবা লৈ। ৱারেপ লৌবা য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা।

**কর্কট:** ৱাখলগী পাঙ্গল য়াম্না লৈ অদুনা নিংথিনা খন্থরগা পাংবা খুদিং শোইদনা মাই পাক্কনি। থবক মফমদা থৌনা ফুদোকপা য়াগনি। অদুবু চিন য়াংবদি লন কাইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**সিংহ:** অঙনবদা চোপ্পা য়াবা লৈ অমদি অরং অরাক চেকশিল্লু। লৌশিং চাওবনা তুংদদি মীনা লাকচবা ঙমলোই, পাউ নুংঙাই অমদি ইমুং মনুং ৱাতান্নবা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মরি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা:** থবক থৌরমদা অফ-ফত্ত য়ান্নবা নুমিৎনি। মরুপ অমদি মীয়াম লোইনরগনা মাই পাকপা অদুগা মীতোপ থাজরগনা মাংবা নুমিৎনি। ইচং থৌরবা কাইননি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশি মরিদি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**তুলা:** শেল থুম অমদি মীচং খোন্বগী লমদা মাই পাক্কনি। হকচাংসু নুংঙাইজে অমদি নথক থোংবগা অফবা মরি লৈগনি। খোইরাংবা অমদি খুৎ চাওবদি ফাথবা চংই।
**লৈশা পাখংশিংগী**- ঈংথবা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক:** লম খুদিংদা মাই পাক্কনি। লাইবক ফবা নুমিৎনি অদুনা অরুবা থৌরম বাংহৌবা অমদি পোরম য়াৎপা থোইনা হেন্না অশিংবা তাগনি। মরুপ্পসু চানবীগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নিংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**ধনু:** নাইতোম থৌ পাংগে হাইরদি হান্নগী থৌরমদুদং পাংউ। অনৌবা অমত্তা পাংদবা ফৈ। খৎন-চৈনবা য়াবা লৈ চিঞ্জাক কামগনু। থিবা হন্বা অমদি খাংবা কল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাংতক্লগনু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।

**মকর:** লাইবক ফবা অমদি নিংবা থুংবা ফংগনি। অঙনবদা নুংঙাইবা পাউ তাজগনি। মৈনা তাথি অমদি মীয়াম্না য়ানবা চৎপা ফৈ। ঈরাং পুগনু কাইনবা নংবা য়াই।
**লৈশা পাখংশিংগী**- শরৌনবা লৈগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কুম্বা:** ৱা ঙাংবা অমদি অনম তানবদি ঙসিসু পাংদে। নোল্লুক্লা চৎলদি মাংনিংঙাই লৈতে। নক্লুবা মীশিংদি লোইনবা ফৈ। অকল অথৌগী লমদা চাওনা মাই পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- ৱা ঙাংগনু চোপকনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**মিন:** খাংবা কনবৈ কান্নবা ফংবা, য়েৎনরম্বা কোকপগী নুংঙাইবা অমদি মরুপ মপাংনা থাগৎপিবা লৈগনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, লৌশিং থোকপা ৱাৎপদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- হাইজবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



## হুইয়েন জোক্স

**তোম্বা :** নখোয় বাবা করি থবক তৌবগে?
**চাওবা :** মীঙোন্দা থীনা-থীনা ঙাংবগী থবক তৌই।
**তোম্বা :** করিনো নঙ হায়রিবনো ঐ লৌশিনবা ঙমদে।
**চাওবা :** হেরা ভাই, ঐখোয় বাবদো শেন্দোই খোম্বগী থবক তৌই হায়বনি।

- - - - - - - - - - - - - - - -



**ওজা :** নঙগী নম্বর হায়রকউ।
**জিনা :** সোরি সর, ঐগীদি মরুপ লৈজরে।
**ওজা :** ইবেম্মা, ঐনা হায়বদি নঙগী রোল নম্বর হায়রকউ হায়বনি।

- - - - - - - - - - - - - - - -

*সান্তাগী রেডিও য়াখিদ্রে। মহাক্লা রেডিও অদু হাংদোক্লগা য়েংই। রেডিও মনুংদা উচি অমা য়াওরম্মী।*
**সান্তা :** ও! সিদি কমহাইনা রেডিও চৎলনি। রেডিওগী সিঙ্গরদি শিরগা লৈরে!

- - - - - - - - - - - - - - - -

*কাং অনী লাইরিক পামিন্নদুনা লৈরম্মী।*
**কাং অমনা হায় :** ঐদি লাইরিক কন্না পারগা দোক্টর ওইগনি।
**অতোপ্পা কাংনা হায় :** ঐদি ইঞ্জিনিয়র ওইনবা হোৎনগনি।
মতম অদুদা হনুবী অমনা কাং হীদাক মোরটিন থাজিল্লকই।
**কাং অনীদুনা হায় :** হনুবী অসিনা ঐখোয় অনীগী কেরিয়র লোয়না মাঙহল্লে।

- - - - - - - - - - - - - - - -


*নুপা অমা অচৌবা উমং অমদা চৎলম্মী। মতম অদুদা নুপা অদুগী মনাক্তা কৈজাও অমা লাক্লম্মী।*
নুপা অদুনা কৈ লাকপা উবা অদুদা শিরবা মী অমনা তাদুনা লৈবগুম তুমিন্না লৈশিল্লি।
কৈ অদুনা নুপা অদুগী মনাক্তা চঙলক্তুনা নাকোং ময়াদা হায়রকই। ইবুংঙো ঐ হৌজিক্তা তগৎ-তগৎ তেকপা শজী অমা চাদুনা লাকপদা ঙাইরি। নৎত্রবদি নঙগী খদ্রক অদুনগা চৎনরোই।

- - - - - - - - - - - - - - - -




*অঙাং অমা নুমীৎ খুদিংগী থেংনা-থেংনা হৌগৎলম্মী। নোংমদি ঙন্না হৌগৎলকপা উবদা মপানা হরাউরদুনা হায়রকই।*
**মপা :** ভেরি গুদ, নঙদি ঐগী ইচানি। থৌনা ফবা কৈগুম্বনি।
**মচানুপা :** ঐ নঙগী নচা নত্তে, নঙগী থৌনা ফবা কৈগুম্বসু নত্তে। ঐদি শুপ্নগী মপান থোকপা থোক্লকপনি, অমুক তুমৎখিগদৌরিবনি।

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।




Title: Monkey
By: Sansiliya Salam
Class: III Sec: A Roll No.
School: KV2 Langjing




Title: Jurassic World
By: Trisil Laishram
Class: I Sec: Daffodil Roll No. 3
School: SL Arena of Learning



Title: Barbie
By: Trishini Laishram
Class: I Sec: Daffodil Roll No. 4
School: SL Arena of Learning




Title: Scenery
By: Laimayum Ashish Sh
Class: KG Sec: Roll No. 12
School: Kids' Activity Centre




Title: Landscape
By: Lanchenba Khuraijam
Class: IV Sec: Roll No. 7
School: St. Peter's High School, Kwakeithel




Title: A Girl
By: Paikhomba Huidrom
Class: III Sec: Roll No. 01
School: Uchiwa High School (Aided)



Title: Dragon Ball Z
By: Lanchenba
Class: V Sec: F Roll No. 25
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: Pikachu
By: Gracy
Class: I Sec: Diamond Roll No. 39
Address: Kid's Foundation, Kids World Complex



Title: Scenery
By: Thoudam Tomthinnganba Singh
Class: KG -II Sec: Gold Roll No. 34
School: AIM School, Naharup